## সঞ্জয়দা সী ভি রমন এৱার্দ পীখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : বিবেকানন্দা এদ্যুকেসনেল কলচরেল এন্দ স্পোর্টস ওর্গনাইজেসন ইন্দিয়ানা শীন্দুনা জরখন্দগী দেবঘর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা সিধিবিনায়ক বনকেট হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা চম্ফাই মিজোরামদা লৈবা নোর্থ খৌবুম হায় স্কুলদা সাইন্সকী ওজা ওইবা টি সঞ্জয়দা ভারত রত্না সী বি রমন মেমোরিএল ওনর এৱার্দ খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

ওনর এৱার্দ অসি টি সঞ্জয়গী সাইন্সকী লমদা মহাক্না লৌখিবা থৌদাং অমদি কন্ত্রিব্যুসন অদুবু ঈকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা পীখিবনি।

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| --- | --- |
| Euro | 90.064227 |
| US Dollar | 73.601931 |
| British Pound | 98.550527 |
| Australian Dollar | 55.880552 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.249019 |
| Japanese Yen | 0.711519 |
| Malaysian Ringgit | 18.131019 |
| Singapore Dollar | 55.394791 |
| South Korean Won | 0.066905 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.627182 |
| Thai Baht | 2.452963 |
| Myanmar Kyat | 0.05440 |
| Bangladesh Taka | 0.86749 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
| --- | --- | --- | --- |
| Chennai | – | Rs | 50065.00 |
| Mumbai | – | Rs | 50125.00 |
| Delhi | – | Rs | 50077.00 |
| Kolkata | – | Rs | 50485.00 |

### GAS NEWS

**M/s K&K INDANE SERVICE**
Booking upto : 01/12/2020
Valid from : 25/11/20
Time : 7.30 to 11am
**POROMPAT INDANE GAS/ POROMPAT:**
**Booking up to : 27/10/20**
valid from 28/09/20
Queries : 9366184547
Time 08:00 am to 10:00 am
**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO : 04/12/20**
VALID FRROM : 24/11/20
19kg & 5kg UJJWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
KWAKEITHEL 9774616525 , 6909634960 & 8794191632
NAOREM LEIKAI 7005210401 & 7005352782
TIMING 08.00 to 11.00am
**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto14.2kg-19/12/2020
Valid from-20/11/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.
**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 28/11/2020
**BOOKING UPTO: 30/11/2020**
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00 AM to 12:00 PM
**IMPHAL LPG SERVICE**
HOME DELIVERY
**BOOKING : 23/12/20**
Summit house no. LPG ID no Address with land mark also digital transaction and online payment encouraged
5.kg 19.kg available
Enquiry numbers - 6009392991, 8014389420, 9612718751
Enquiry time 8.30 to 1.pm
Please do not contact driver and handy man except office no i.e. office no
**RBD INDANE SERVICE**
**Booking upto:-30/11/2020**
Valid from :- 05/10/2020
**Stock :- 337**
All Customers are Home Delivery
Working hours 7:30 AM-12 Noon( Numit khudinggi phone touba yagani Suti nattana /Every Day Except Holiday)
Contact no. 7629947172 and 7629947182 for Refill order and Enquiry
( Delivery within 4 days)
**JEMON GAS SERVICE SINGJAMEI CHINGAMATHAK**
**Booking upto : 10/12/20**
Valid from : 15/11/20
Time 8:00 to 11:00 a.m
Call only
A) 6033989480
Naoria Pakhanglakpa, Keishamthong, Sagolband.
B) 6033989481
Singjamei, Yaiskul, Wangkhei, Langthabal
C) 6033989482
Thongju, Khurai Wangoi, & other
Plase complaint Delivery after 4 days
Booking After Delivery
**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO : 10/11/20**
Valid from : 05/11/20
Time: 11am to 2pm
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883
**MANIPUR GAS SERVICE**
**Booking up to : 04/12/2020**
Valid from : 14/11/2020
Home Delivery Only....
Contact no: 8730954041, 8259969582
Office Timing:8 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

## ক্ষেত্রিগাউগী চাওখৎ থৌরাংশিং খন্নবা নুমীৎ নীনিগী ওইবা ৱর্কর কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএনএস): ক্ষেত্রিগাউ অৱাং লৈকায়দা নুমীৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোরকপা ৱর্কর কনফরেন্সকী থৌরম অমা ঙসি লোইশিনখ্রে।

নুমীৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোরকপা ৱর্কর কনফরেন্সকী লোইশিনবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা ক্ষেত্রিগাউ এ সীগী ওইনা লাক্লিবা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা এসেম্বলি ইলেক্সনদা মীরেপ অমা ওইনা চোংথোক্কনি হায়না পানরিবা শেখ নূরুল হাসননা ফোঙদোকখিবদা মৈতৈ-পাঙ্গল পুন্না তামিন্নরিবা ক্ষেত্রিগাউ এ সী অসি হৌখিবা চহী কয়াদগী অৱা-অনা কয়া খাঙদুনা লৈরক্লি। মমাংগী এ সী অসিগী এম এল এশিংনা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক অমত্তা তৌবিরমদবনা অতোপ্পা এ সীশিংগা চাংদম্নরুবদা ঙসিসু হীরম কয়াদা শোখদুনা লৈরি। করিগুম্বা লাক্কদৌরিবা এসেম্বলি ইলেক্সনদা মীয়াম্না এ সী অসিগী কেন্দিদেট অমা ওইনা থাগৎপীরবদি এ সী অসিদা অচৌবা অহোংবা কয়া পুরক্লবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, করিগুম্বা মীয়াম্না ক্ষেত্রিগাউ এ সীগী মীরেপ অমা ওইনা থাগৎপীরবদি মীয়ামগীদমক তৌনিংবা থবক কয়া লৈরি। হৌজিক্কগী হৌদুনা এ সী অসিগীদমক তৌগে খনবা থবকশিংগী ওইনা মেনিফেষ্টো অমসু থৌরাং তৌরে। এ সী অসিদা গ্রিন রিভোলুসন অমদি হ্বাইট রিভোলুসন পুরক্লবা হোৎনগনি। চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা অহলশিংদা ওল্ড এজ পেন্সন পীবা, এদ্যুকেসন সেক্টর অমদি হেল্থ সেক্টরদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরকপা, য়ুম শাবা ঙমদবা মীওইশিংদা য়ুম শাবিবা, লৈনবা ইংখোল লৈতবা মীওইশিংদা লম পীবা, লাইরিক তম্বা ঙমদবা অঙাংশিংবু ফ্রিদা লাইরিক তমহনবা, এ সী অসিবু নোলেজ পৱার হাউস ওইহনবা, নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবা, লম্বী-থোংশিং মতিক চানা শেমগৎপা, সিভিল সর্ভিস এগজাম থাবা পাম্বা মহৈরোয়শিংবু ফ্রিদা ট্যুসন তৌহনবা, মৈ মতিক চানা ফংহন্নবা হোৎনবা, হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফকী থবকশিং পায়খৎপা অমদি অৱাৎপা কয়া লৈরিবা অসি মেনশিনবা ঙম্নবা হোৎনবা হায়বনচিংবা থবকশিং অসি শোয়দনা মপুং ফানা থবক ওইনা পাঙথোক্কুনা এ সী অসিদা লৈরিবা মীওইশিংবু মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ক্ষেত্রিগাউগী লুপ কয়াগী মেম্বরশিং অমদি ক্ষেত্রিগাউ এ সী য়াম্লবা মীয়াম কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

## হোম মিনিষ্টর অমিট শাহবু তরাম্না ওকপগী পিছ দেমোন্সত্রেসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএনএস)ঃ ঙসি ইম্ফালদা লাকখিবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী খোঙচৎপু তরাম্না ওকপগী পিছ দেমোন্সত্রেসন অমা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ কার্টরগী ত্রাফিক পোইন্টদা পাঙথোকখ্রে।

পিছ দেমোন্সত্রেসন অসি মণিপুরগী নাগা মহৈরোয় লূপশিংগী এপেক্স বোদি অমা ওইরিবা ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (অন্সম) গী মীৎয়েং মখাদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (এস দি এস এ) না পাঙথোকখিবনি।

এস দি এস এনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী হেদ ক্বার্টরগী নেসনল হায়ৱে-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বী পরিংদা লৈবা ত্রাফিক পোইন্টদা পাঙথোকখিবা পিছ দেমোন্সত্রেসন অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর মঙাগী মতমদা চহী ২৩ চঙনা চথরক্লিবা নেগোসিএসন অসিগী সোল্যুসন পুরক্লবগী মেরিট লৈরে, মসিগী খুদোং চানবগীদমক শাংলবা পিছকী মতম পীরে, নাগা ফ্লেগ, কন্সটিট্যুসন অমসুং ইন্টিগ্রেসন অসি য়েৎনদ্রবা নাগা মীয়ামগী হকনি, দিকেদ তরা হেনজিল্লক্লবা নাগা মুভমেন্টনা মসিগী সোল্যুসন পাল্লে, ঐখোয়না অমিট শাহগী পিছ খোঙচৎপু তরাম্না ওক্লি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা নাকল অনীমক্না য়ানবা সোল্যুসনদা য়ুম্ফম ওইগদবনি অমসুং নমদুনা য়াশিন্নবরোমদা চঙশিল্লক্লোইদবনি হায়বা ৱাহৈ পরেংশিং ইবা বেনরশিং শীজিন্নখি। লোয়ননা 'রেসপেক্ট য়ুনিক হিষ্টোরি ওফ নাগাজ, সেট্টল ইন্দো-নাগা ইস্যু ফোর পিছ এন্দ দিগ্নিটি, নাগা সোল্যুসন ফোর পিছফুল কো-এক্সিজটেন্স, নাগা সোল্যুসন মষ্ট বি ওনরেবল এন্দ এক্সেপ্টেবল, রিজোল্ট পোলিটিকেল কনফ্লিক্ট ৱিথ ওনর অমসুং ৱি সপোর্ট নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট' হায়না ইবা তোঙান তোঙানবা বেনরশিংসু ঙসিগী পিচ দেমোন্সত্রেসন অদুদা শরুক য়াখিবা এস দি এস এগী মহৈরোয়শিংনা পায়খি।

লোয়ননা মণিপুরগী নাগা ষ্টুদেন্ট বোদিশিংগী এপেক্স ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন, মণিপুর (অন্সম) গী মায়কৈদগীসু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী হিষ্টোরিক ওইরবা খোঙচৎ অসিবু তরাম্না ওক্লদুনা হৌজিক ফাওবা চথরক্লিবা ইন্দো-নাগা পিছ টোক অসিগী লোজিকেল কনক্লুজন অমা পুরক্লগনি হায়বগী থাজবা থমখি।

অন্সমনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদা খূৎশিন্নখিবা মেমোরেন্দম অমদা ইন্দো-নাগা পোলিটিকেল ইস্যুবু ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরম্বা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরশিংবু তৌবীমল খঙবসু উৎখি। মখোয়না নাগাশিংগী তোপ-তোপ্পা পুৱারী অমসুং নাগা মীয়ামগী ফীভমশিংবু মশক খঙবীখি হায়নসু মেমোরেন্দম অদুদা ফোঙদোকখি হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা অটল বিহারি বাজপায়গী লুচিং মখাদা হৌখিবা কুমজা ২০০২দা ইন্দিয়ন সব-কন্টিনেন্টদা লৈখিবা ভাইওলেন্ট কনফ্লিক্টশিংগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনখিবদা নত্তনা পিছ প্রোসেস অসিগীসু লেন্দমার্ক ওইবা য়াবা থবকশিং লৌখৎলমখি হায়রি।

নাগা মীয়াম্না ওগষ্ট ৩, ২০১৫গী গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দগী মরক্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মমাঙমক্তদা ন্যু দেল্লিদা খূৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱর্ক এগ্রিমেন্ট অদুবু থৱায় হকচাং য়াওনা য়ানীংই অমসুং তরাম্না ওকই হায়রি।

মসিনা নাগা মীয়ামদা ইন্দো-নাগা ইস্যু অসিগী ওইথোকপা য়াবা ৱারোইশিন অমা অথুবা মতমদা পুরক্লগনি হায়বগী থাজবা পীখি হায়রি।

জন্যুৱারী ২১, ২০০৫দা দিমাপুরগী হেব্রোন কেম্পতা নাগা মীয়ামগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কগী মরক্তা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা এন এস সী এনদা শিন্নখ্রবনি হায়রি।

## অমিট শাহনা সিভিল সোসাইটি...

*লামায় ১গী মখা...* মিনিষ্টরনা ৱাফম অসিগী মতাংদা কোন্না খন্নরসি হায়না ফোঙদোরকখি। মদুদা কোকোমিগী মায়কৈদগী ফুরুপ খূদিংমক্না শরুক য়ারগা মেমোরেন্দম অমা পীশিঞ্জরক্কে হায়বা ৱাফম থমখি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীলগী (য়ু এন সী)গী মীহুৎশিংনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর উনরুরবা তুংদা য়ু এন সীগী প্রসিদেন্ট খো জোননা পাউমীশিংদা হায়খি, য়ু এন সীগী মায়কৈদগী নাগাগী ইস্যু অসি অথুবা মতমদা লোইশিনবীয়ু। পিছ টোক অসি চথরকপা চহী ২৪ রোম শুরক্লে। অদুনা শীংথানিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমা লৌখৎতুনা অথুবদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবীয়ু হায়না তকশিনখি। মদুদা পিছ টোককী ৱারী নীংথিনা চথরি অমদি অচুম্বা মায়কৈদা চৎলি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা ফোঙদোরকখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

জেলিয়াংরোং বৌদি মণিপুরগী মায়কৈদগীসু জেলিয়াংরোং ফুরুপ খক্তগী ওইবা টেরিটোরিএল কাউন্সীল অমা থম্বীননবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা তকশিনখি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগা উনরুরবা মতুংদা জেলিয়াংরোং বৌদি মণিপুরগী মীহুৎ পৌপোকলুং কামৈনা হায়খি, তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা জেলিয়াংরোংশিং অসি অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা টেরিটোরিএল কাউন্সীল ওইনা লৈবা হায়বসি ফ্রিদম ফাইটর রানি গাইদিনলিয়ুগী অপাম্বনি। মহাক্কী ৱাখল্লোন অসিবু তুংইন্নদুনা জেলিয়াংরোং বৌদি মণিপুরনা জেলিয়াংরোংশিংগী ওইবা টেরিটোরিএল কাউন্সীল অমা থম্বীননবা তকশিনখিবনি। হীরমসিগা মরী লৈনবা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখ্রে। লোয়ননা নাগা পিছ টোক অথুবদা লোইশিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়বা ৱাফমসু থন্নমখি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা, কুকি ইনপিগী মীহুৎশিংনসু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগা উনখ্রে। উনখিবা অদুদা কুকি ইনপিগী মায়কৈদগী নাগা-কুকি ঈরাংদা এন এস সী এন (আই-এম)না হাৎখ্রবা কুকি মীয়ামগী অচুম্বা ৱায়েল পুরক্ত্রিঙৈদা ইন্দো-নাগা পিছ টোক্কী ৱারোইশিন পুরকপা য়ারোই। মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়বা ৱাফমশিং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা থমখি হায়রি।

## নাগা তাবা এরিয়াশিং পুনশিনবগী ...

*লামায় ১গী মখা...* সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট কে রাইসোং, মরিং উপারুপ চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট মোদুম চরাংঙা, পৌমাই নাগা য়ুনিয়ন সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট দাইলোদ পাও, রোংমৈ নাগা কাউন্সীল তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট রমকুং পানমৈ, সির্টি (মোন্সাং) উপারু চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট এন জি গিলবর্ট, তরাও ত্রাইব য়ুনিয়ন চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট কত্রিমশা মেলা তরাও, থাঙ্গা নাগা য়ুনিয়ন সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট ৱাই কে কপিং অমসুং জেমি নাগা কাউন্সীল তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট জি এন কুমুইতেংনা খূৎয়েক পীদুনা পীশিনখিনবা চেরোল অদুনা নাগাশিংগী তোপ-তোপ্পা পুৱারী অমসুং ফীভমশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ঈকায় খুম্ননিংঙাই ওইরবা ইন্দো-নাগ সেট্টলমেন্ট অমা পুরকপীয়ু হায়না তকশিনখিবনি।

হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদা মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসিবু তরাম্না ওকই হায়না খঙহনবগা লোয়ননা দিমান্দ অসি তকশিল্লদুনা পীশিনখিবা চেরোল অদুনা হায়, য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) গী মিৎয়েংখাদা লৈরিবা নাগা ত্রাইব অমসুং নাগা দিষ্ট্রিক্ট এপেক্স ওর্গনাইজেসন ২০ গী মায়কৈদগী ইন্দো-নাগা পোলিটিকেল পিছ প্রোসেস মরম চানা ৱারোইশিন পুরক্লবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং থাগৎলি। কুমজা ১৯৭৫ গী নবেম্বর ১১ দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং নাগা মীয়ামগী মরক্তা খূৎয়েক পীনখিবা শিলোং একোর্দ য়াওনা মায় পাকখিদ্রবা এগ্রিমেন্ট অহুম পল্লদুনা য়ু এন সীনা হায়, নাগা মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বশিং ফঙহনবা ঙমদবদগী লমদম অসিদা তুং কোয়না মরা তপ্পা ফীভম লৈতবনি। এগ্রিমেন্ট কয়া ইরকখ্রবসু কুমজা ১৯৬০ গী মতুং কুমজা ১৯৯৭তা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং নেস্নেল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দগী মরক্তা অনীশুবা সিজফায়র এগ্রিমেন্ট খূৎয়েক পীনদ্রিফাওবা ইন্দিয়ন আর্মদ ফোর্সেস অমসুং নাগা অর্মীগী মরক্তা খূৎ থোক্নদুনা লাকখি।

নাগাগী ঈহৌ অসি মহাত্মা গান্ধী অমসুং জয় প্রকাশ নরায়নগুম্বা ইন্দিয়াগী অচৌবা লুচিংবা কয়াগা মরী লৈনবনা মরু ওইবা তানফম অসিদা ৱাখল লৌশিং অমসুং পোলিটিকেল ৱিল শীজিন্ননবা নাগা মীয়াম্না ইন্দিয়াগী অচৌবা লুচিংবশিংদা তকশিল্লি। নীংতম্লবা ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরু অমসুং হৌজিক্কী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়াওনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরশিংনা ইন্দো-নাগা পোলিটিকেল ইশ্যু অসি খঙলীবনি। প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী অহানবা টর্ম মনুং কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩ দা ন্যু দেল্লিদা লৈবা মহাক্কী ওফিসল রেজিদেন্সতা পুৱারীগী শরুক ওইরগদবা ইন্দো নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট খূৎয়েক পীনদুনা হীরম খূদিংমক্তা ঈকায় খুম্ননিঙাই ওইরবা পোলিটিকেল ৱারোইশিন অমা অথুবদা পুরক্লবগী ৱাফম য়ানখি।

এগ্রিমেন্ট অসি তৌনখিবগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং নাগা মীয়াম্না হৌজিকসু নীংশিংদুনা লৈরি অমসুং চহী ৭০ হেল্লবা ইন্দো-নাগা পোলিটিকেল কনফ্লিক্ট অসি থুনা লৈখাই তারগনি হায়না থাজবা থল্লকখি। নাগা টেরিটোরি নৎত্রগা নাগা এরিয়াশিংগী মতাংদা ময়েক শেংনা থম্নিংলিবদি নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী ষ্টেট অসিদা লৈরকখিবা নাগাশিংগী চপ চাবা বাউন্দরিশিং য়াৎথোক্কুনা লৈরকখি। নাগাশিংগী লম, হৌরকফম নত্রগা পুৱারী অতৈ কম্যুনিটিশিংগা মান্নদে। নাগাশিংনা অতোপ্পা কম্যুনিটি অমত্তগী লমদা লৈরকপা লৈতে হায়নসু চেরোল অদুদা পল্লি।

## সাইন্টিফিক পিগরিগী ত্রেনিং হৌদোকখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এনএস)ঃ ঙসিদগী হৌদুনা নোংমাইজিং অহুম্লক্তা থংন-থংননা নুমিৎ হুমনি চথুগদবা সেল্ফ এমপ্লোইমেন্ট অমসুং সাইন্টিফিক পিগরিগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা শগোলবন্দ তেরা খুরাইজম লৈরক্তা লৈবা এম/এস কৈথেল্লাকপম পিগরিগী হেদ ওফিসতা হৌদোকখ্রে।

ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হাজবেন্দ্রি সর্ভিসেসনা শীনবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা লোইশঙ অসিগী দিরেক্টর ঐচ চাউবা, এম আই দি সীগী চ্যেরমেন পি লোকেন অমসুং নেসনল স্মোল ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন, ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী দেপ্যুটি মেনেজর এল ইবেতোম্বীনা শরুক য়াখি।

মশানা মশাবু থবক পীজনগীদমক সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা ওক লোয়বগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগী ঙসিগী লোইশিনবগী থৌরমদা হীরম অসিদা মায় পাক্না চঙশিল্লক্লিবী এম/এস কৈথেল্লাকপম পিগরিগী প্রোপ্রাইটর পিপি কৈথেল্লাকপমনা শরুক য়াখিবশিংগী মফমদা থাগৎ ৱাহৈশিং ফোঙদোকখি।

## ইন্দিয়াগী ফ্রীদম ষ্ট্রগলগা সেবা ...

*লামায় ১গী মখা...* য়াওরিবা মেম্বরশিং অসি মথৌ চিনবদা নত্তনা ওইজবা কয়া কখোকপা ঙাক্তনি। কোংগ্রেসকী ওইনসু সেবা দল অসি য়াম্না মরু ওইবা য়ুনিট অমনি। সেবা দল অসিদা য়াওরিবা মেম্বরশিংগী পূক্নিং ৱাখলদা মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা ঐখোয় পুম্নমক অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবগী ৱাখল চেল্লিবা অসিমক তমজনিংঙাই ওই। লোয়ননা দল অসিগী থৌমীশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎচরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা সী এল পিগী লিদর ওক্রম ইবোবী, সী দব্লিয়ু সীগী মেম্বর গাইখাঙম, এম এল এ, এ কে মিরাবাই, এক্স-এম এল এশিং, এক্স-এম পিশিং, এম পি সী সীগী ওফিস বিয়াররশিং, পি সী সী, চীফ ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসনগী থৌমীশিংসু শরুক য়াখি।

## লমদমসিগী সী এস ওশিংনা তাল্লিবা দিমান্দশিংদা মণিপুর...

*লামায় ১গী মখা...* মণিপুরগী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি)সু লুপা ক্রোর ৪৬০০ রোম হেনগৎহল্লগনি অমদি মণিপুরগী নহা লিশিং ৪৪ হেন্না থবক পীবা ঙম্লগনি। স্মার্ট সিটি অমা ওইনসু মতম খরগী মনুংদা শোয়দনা মীয়াম্না উবা ফংলগনি।

চুড়াচান্দপুরদা শাগদৌরিবা মেদিকেল কোলেজ অসিদগী চহী খূদিংগী এম বি বি এস ডোক্তর ১০০/১০০ পাস তৌদুনা লমদম অসিগী চীং অমসুং তমদা মথৌ তারিবা হেল্থ সেক্তরদা অচৌবা মতেং ওইরগনি। দেল্লিদা নৌনা শাগদৌরিবা অহুমশুবা মণিপুর ভবন অসিনা লমদম অসিদগী মীওই কয়ানা অনালায়েংগী অমদি তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াগী মতাংদা দেল্লিদা চৎপদা লৈফম চাফমগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরিবশিং অদু কোকহনবদসু ঙম্লগনি।

মতম অমদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং অসি ইন্সর্জেন্ট অমদি হাৎন-শুনবগী মফম ওইনা খন্নরম্মী। অদুবু হৌখিবা চহী ৬ লোমগী মনুংদা মফম অসিগী খুৎলায় পায়বা ইন্সর্জেন্ট গ্রুপশিংদা য়াওরম্বা মীওই কয়া মথং-মথং খুৎলায় থাদোক্কুনা মহৌশাগী পুন্সিরোলদা হল্লকখ্রে। হান্না লৈরম্বা হাৎন-শুনবগী মতৌশিং অদু হৌজিক্কি অমত্তা লৈতবগা পাঙ্খক ওইরে। হৌজিক লেমহৌরিবা ইন্সর্জেন্ট গ্রুপ খরা অসিসু প্রাইম মিনিষ্টরগী চাউখৎপগী লুচিং মখাদা মহাকপু থাজদুনা শোয়দনা ম্যেন ষ্ট্রিমদা লাক্লগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ। হাৎন-শুনরম্বগী মফম ঙসিদি চাউখৎপগী লম্বীনা মহুৎ শীনখ্রে। কুমজা ২০১৪দা নরেন্দ্র মোদিনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমা নৎত্রগা অমা নুমীৎ ১৫নি খূদিংগী শোয়দনা চৎকদবনি হায়খি। ইন্নর লাইন পর্মিটকী দিমান্দ চহী কয়াদগী তান্দুনা লাকখ্রবসু মমাঙগী লৈঙাক্না পীরমদবনা ইন্নর লাইন পর্মিটকী মতাংদা মণিপুর মীয়াম কাউনখ্রবনি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরগা থংননা লৈরিবা মায়কৈ মরিমক্তা ইন্নর লাইন পর্মিট লৈরন্নগা মণিপুরদা লৈরমদবা অসিদি অফবা নত্তে হায়দুনা মণিপুর মীয়ামদা ইন্নর লাইন পর্মিট খূৎশিন্নখিবনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুর মীয়ামদা খ্বাইদগী অচৌবা খুদোল হায়রগদি ইন্নর লাইন পর্মিট পীখিবা অসিনা ওইগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুপা ক্রোর ৪৬২ থাদদুনা লমদম অসিগী লৌফম হেক্তর ৪৫,১৬০ হেনবদা ঈশিং মতিক চানা ফংহন্ননবা হোৎনরবসু মমাঙগী লৈঙাক্না তৌরমদবনা হৌজিক্তি বি জে পি লৈঙাক্না পায়খৎপা হৌরে। নেসনল ফোরেন্সিক সাইন্স য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা মণিপুরদসু ফোরেন্সিক সাইন্সকী কোলেজ অমা হাংলবদি মণিপুর খক নত্তনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটকী মহৈরোয় কয়ানা লম অসিদা মহৈ তম্বা লাক্কনি। হৌজিক হৌজিক নোর্থ ইষ্টতা ফোরেন্সিক সাইন্সকা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়া অমা তৌবা য়ারি। মরম অদুনা নেসনল ফোরেন্সিক সাইন্স য়ুনিভর্সিটিদা এফিলিয়েট তৌবা কোলেজ অমা মণিপুরদা হাংননবা চীফ মিনিষ্টরনা হোৎনবীয়ু। মসিগীদমক সেন্টরনা মতম পুম্নমক্তা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংননবা শেম-শাদুনা লৈ। বি জে পি লৈঙাক অসিনা নোর্থ ইষ্টপু খোঙজেল য়াংনা চাউখৎহন্দুনা তংদু-লৈতাবা, ঈং-চিক্না লৈবা ঙম্ননবা থৌরাং থৌশিল কয়া অমা পায়খৎখ্রে। মণিপুরদা সেন্ট্রেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবগী থবক পায়খৎখ্রে। ষ্টেট অসিগী লৌমী লাখ ৬ লোমদা চহী খূদিংগী লুপা লিশিং ৬/৬ মশাগী একাউন্টতা হাপ্তুনা কান্নবা পীরি। হৌখিবা লৈঙাক্কী মতমদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা অপূনবা মীশিংগী চাদা ৬ খক্তমক থক্লবা অফবা ঈশিং ফংলম্মী। অদুবু জল জীবন মিসনগী মখাদা চহী ৩গী মনুংদা মণিপুরগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ৩৩ থক্লবা অফবা ঈশিং ফংহনবা ঙম্লে। লুপা ক্রোর ৭২৭গী শেন্থং পীথদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টসু ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শেমগৎলি। ষ্টার্ট অপ পোলিসিগী মখাদা মণিপুরগী নহা ১১৮৬না থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। নোর্থ ইষ্ট পুম্বগী ওইনা সেন্টরনা শেন্থং কয়া থাদনবা প্লান্নিং তৌরি। কোংগ্রেস লৈঙাক্না পাল্লিঙৈদা নোর্থ ইষ্ট পুম্বদা লুপা ক্রোর ৮৯,১৬৮ খক পীরম্মী। অদুবু বি জে পি লৈঙাক লাকখিবদগী লুপা ক্রোর ৩,১৩,৩৭৫গী শেন্থং থাদরে। চহী কয়া পাল্লম্বা কোংগ্রেস লৈঙাক্না নোর্থ ইষ্টতা চাউখৎপগী থবক তৌরমদবনা অদুম্মক হান্না লৈরম্বা ফীভম অদুদা থল্লমখি। চাউখৎপগী মিংদা শুপ্নগী প্রোজেক্ট কয়া উরেপ-উয়ুং তম্লম্লগা থবক অমত্তা মপুং ফানা পাঙথোক্লমখিদে। মখোয়না উরেপ-উয়ুং তম্লম্বা ময়াম অদু বি জে পি লৈঙাক লাক্লবা মতমদা নীংথিনা শেমগৎ-শাগৎতুনা শঙ্গাবগী থবকশিং চথরি। চহী তরুক মখায়রোমগী মমাঙদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা ঈশিং-ঈচাউ কয়া লাক্লম্বা অদু ঙসিদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা চাউখৎপগী ঈচাউ ওইনা লাক্লে। হৌখিবা চহী ৩গী মনুংদা লমদম অসিদা অহোংবা কয়া লাক্লিবসি বি জে পি লৈঙাক লাকপদগীনি। বন্দ অমদি ব্লোকেদ কয়া তৌরম্বা অদু চহী ৩ অসিগী মনুংদা ঙসি ফাওবা বন্দ অমফাওবা তৌখিদ্রে। মফম অমদা নৎত্রগা অমদা হেক্তা ওইবা য়াই বি জে পি লৈঙাক লাকখ্রবদি চাউখৎপা শোয়দনা পুরক্কনি। চহী ৩ অসিগী মনুংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ষ্টেট অসিদা চাউখৎপা পুরক্লবগী অনৌবা থৌরাং থৌশিল কয়া লৌরক্লিবা অসিগীদমক্তসু মহাকপু থাগৎলি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, লমদম অসিদা ইন্নর লাইন পর্মিট (আই এল পি) সিষ্টম চৎনহন্ননবা ৱাফম পুথোক্লগনি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা ফোন তৌদুনা খঙহল্লকখিবা নুমীৎ অদু ঙসিসু নীংশিংলি। আই এল পি মপুং ফানা চৎনহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবগীদমক য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহবু থাগৎলি। ষ্টেট লৈঙাক অমদি মীয়াম্না লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিং ঙাক্নৌ পীগদবা মেকানিজম অমা পুথোক্লবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। হীরমসিগা মরী লৈননা ষ্টেট এসেম্ব্লীগী মীফম কয়ারক্তসু তোঙান-তোঙানবা বিলশিং পাস তৌবা লৈখ্রবনি। মীয়াম্না মতম শাংনা মঙদুনা লাকপা মঙলান অমবু নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা ঙসিদি মঙফাওনহল্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা দোনরগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ডা. জিতেন্দ্রনা হায়খি, নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর হেক ওইরকপদগী অৱাং নোংপোক চাউখৎতনা ইন্দিয়া চাউখৎপা য়ারোই হায়না ফোঙদোকখি। চহী ৬ লোমগী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নোর্থ ইষ্টকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা খোঙচৎ ৪০ হেন্না চৎখ্রে। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা অমত্তনা মহাক্না চৎলিবা অসিগুম্না চৎখিদ্রি। নোর্থ ইষ্ট মীয়াম্বু মহাক্না নুংশিজবা অদু উরগা ইন্দিয়াগী লৈঙাকপশিংদসু থৌনা অমা হাপ্তুনা নোর্থ ইষ্টকী থাপ্লবা তোঙান-তোঙানবা থবকশিং য়েংশিনবগী থবক লেপ্পা লৈতনা চথরি। ট্রেন য়ৌরমদবা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট অহুমদা ঙসিদি দবল ৱেজ রেলৱে ট্রেকশিং শেমগৎ-শাগৎপগী থবক লেপ্পা লৈতনা চথরি। চহী অসিগী মনুংদা অহানবা ওইনা অগরতালা ফাওরগা বাংলাদেশ ফাওবা ট্রেন লম্বী চৎপা য়ারগনি। মতম অমদা মণিপুরগা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা শম্নহল্লিবা মরুওইনা নেসনল হায়ৱে অনী য়েংশিনবীনবা লৈতবা মরম্না হায়ৱে অনী অসি ওর্ফান রোদ হায়না খঙনরম্মী। অদুবু স্পেসল রোদ দিভলপমেন্ট স্কিমগী মখাদা নেসনল হায়ৱে অনী অসি শেমগৎ-শাগৎতুনা কয়া য়াম্না অহোংবা লাক্লবগে হায়বদু মীয়াম্না চৎতুনা য়েংবীয়ু। ঙসিদি ফ্লাইটতা চৎপগী মহুৎতা মপু পাল্লমদ্রবা হায়ৱৈশিং অসিদা চৎপা পাম্নরে।

কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবগীদমক লৌখৎপা থৌরাং থৌশিলদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংনা পায়খৎলিবা থবকশিং অসি রোল মোদেল ওইনা লৈবাক শিনবা থুংনা শীংথানরি। দোনর মিনিষ্ট্রিনসু কোরোনাদগী ঙাকথোক্লনবগীদমক শেন্থং কয়া পীখিবা লৈখ্রে। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা তান্নদুনা ষ্টেট অসিদসু হিল এরিয়া দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম হৌদোক্কুনা তমেংলোংদা পাইলোট প্রোজেক্ট পায়খৎপা হৌখ্রে। হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা নোর্থ ইষ্ট হায়বদি এন ঈ এস সী ন্যু ইঞ্জিননি হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে। মরম অসিনা কোরোনাগী মতম হেক লোইবগা নোর্থ ইষ্টকী শক্তমদা অচৌবা অহোংবা অমা শোয়দনা লাক্লগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

তোঙান-তোঙানবা প্রোজেক্টশিং উরেপ-উয়ুং তমখিবা অমদি শঙ্গাখিবগী থৌরম অদুদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার, ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ, স্পিকর ৱাই খেমচান্দ, মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, সিভিল অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদা লেংয়ান ফিয়ান্দুনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা কোকয়েৎ, থাঙ অমদি আর কে সী এস আর্ট গেল্লেরিগী রাস লীলা পেন্টিংসু খুদোল তমখি। অদুগা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা দোনরগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ডা. জিতেন্দ্রদা লেংয়ান ফিয়ান্দুনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা আর কে সী এসকী আর্ট গেল্লেরিগী কংলা পেন্টিংসু খুদোল তমখি। লোয়ননা ইমা কৈথেল ফম্বীশিংনসু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ডা. জিতেন্দ্রদা খুদোলপোৎশিং তমখি।

পুংজা খরগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা লাক্লমখিবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবা মতুং হাপ্তা কাংজেবুং তম্না টিদ্দিম লম্বী ফাওরগা লাকপদা লম্বীগী নাক-য়েৎতা লমদমসিগী তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী মীওইশিংনা নাৎকী ওইবা ফিজেৎ-লৈতেংশিং শেৎতুনা তরাম্না ওকখি।

## মণিপুরগী কেস মশীং লিশিং ২৮...

*লামায় ১গী মখা...* পর্সনেলগী ৩৩৭৪ নি। লায়না-লাইচৎ অসিদগী ফগৎলক্লবা অপূনবা কেস মশীংনা ২৬,৪০৪ শুরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৩,১৬৮ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩২৭৬ নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৪.২০ য়ৌরে। অদুগা কেস ১২৭৭ না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১১৪৩ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১৩৪নি। নৌনা পোজিটিভ ওইরবশিং অসি জেনিমসতা ১১, রিমসতা ১, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ১০, মাইপাকপীদা ৩, রাজ মেদিসিটিদা ৩, ইসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্সতা ১, ইম্ফাল হোস্পিটালদা ১, জীবন হোস্পিটালদা ১, শিজ হোস্পিটালদা ৬, বিষ্ণুপুরদা ৩, ককচিংদা ১০, নোনেদা ১, তমেংলোংদা ১ অমসুং ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ১ থেংনখিবনি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ১৮, ইম্ফাল ইষ্টতগী ১০, থৌবালদগী ২, বিষ্ণুপুরদগী ৪, ককচিংদগী ১২, চুড়াচান্দপুরদগী ২, সেনাপতিদগী ১, তেংনৌপালদগী ১, নোনেদগী ১ অমসুং তমেংলোংদগী ১ য়াওরি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওই খূদিংমক মণিপুরগী মপান্দা চৎলুদবা ঙাক্তনি। মীওইশিং অসিগী মথৌ তাবা মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে। লোয়ননা মীওই ৭৩সু নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

## হায় কোর্টতা রি-স্ক্রুটিনিগী ওর্দর...

*লামায় ১গী মখা...* কাউন্সেল জুলিয়সনা এম সী (দব্লিয়ু পি-সী) নম্বর-১৯ ওফ ২০২০গী অহুমশুবা রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা ইম্ফাল অর্বান কো-ওপরেটিভ বেঙ্ক লিমিটেদকী মায়কৈদা লেপখি। কাউন্সেল অসিনা দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর- ১০০৯ ওফ ২০১৯গী মরিশুবা রেস্পোন্দেন্ট অমসুং দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর- ১০৫৯ ওফ ২০১৯গী অহুমশুবা রেস্পোন্দেন্টকী মায়কৈদসু লেপখি।

পার্টিশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংনা থম্নরকপা আর্গ্যুমেন্টশিংগী মাঙওইননা কোর্টনা মেট্টরশিং অসি লৌখৎলকপদা এদিসনল এ জিগী মায়কৈদগী বেঙ্ক অসিনা মতম শাংনা নন-ফঙ্কসন্নিং ওইদুনা লৈরকপগী মতাংদা রিজর্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই)না শো কোজ নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে হায়বগা লোয়ননা বেঙ্কসিদা পীবা লাইসেন্স ৱিঠদ্রো তৌবগী মতাংদসু শো কোজ নোটিশ ইস্যু তৌখ্রবনি হায়বা ৱাফমশিং কোর্টতা থমখি।

এদিসনল এ জিনা কোর্টতা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, রিট পিটিসন অনীমক্না রি-স্ক্রুটিনিগী ওর্দর চেলেঞ্জ তৌরক্লবনা ইন্সত্রক্সনগী মতুংইন্না ওফিসল রেস্পোন্দেন্টশিংনা রি-স্ক্রুটিনিগী ওর্দর অদু ৱিঠদ্রো তৌরগনি হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখি। মরম অসিনা কোর্টনা ইলেক্সন পাঙথোক্লবগীদমক লিবর্টি পীদুনা এপ্রোপ্রিয়েট ওর্দর অমা পীবীনবসু কোর্টতা হায়জখি।

অদুম ওইনমক কোর্টনা এদিসনল এ জিগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা রিট পিটিসন অনীমক্না মরী লৈননা ৱিঠদ্রো তৌবগী ওর্দর অদু পুথোরক্ত্রবদি কোর্ট অসিনা ওর্দর অমত্তা পীখিরোই হায়খি।

লোয়ননা কোর্টনা মথংগী নুমীৎ থা অসিগী ২২দা রেস্পোন্দেন্ট গভর্ণমেন্ট ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা এদিসনল এ জিদা রি-স্ক্রুটিনি ৱিঠদ্রো তৌবগী এপ্রোপ্রিয়েট ওর্দর থোক্লবগী লিবর্টি পীবগা লোয়ননা হায়রিবা ওর্দর অসি পুথোক্লবগীদমক মেট্টরশিং অসি ফর্ষ্ট আইটেমদা লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

অদুম ওইনমক কোর্টনা পীখিবা থা অসিগী ২২দা ৱিঠদ্রো তৌবগী ওর্দর অদু পুথোকখিদবদগী কোর্টনা মেট্টরশিং অসিগী মখা তাবা ৱায়েলগীদমক মথং থাগী ১১ (জন্যুৱারী ১১, ২০২১)দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।